*“মণিপুরগী ফিল্ম আর্কাইব?
ঐখোয়গীদি মৈ ফাওবা মুদ্রি হায়বা য়াই।”*
*- আর কে বিদুর*
*(ৱাখল মচু মচু, শত্তম মখল মখল)*

## ইরিল তুরেলদা ‘বিরেন্দ্রকুমার’

**—এম সী সোমোরেন্দ্রো**

হো... ইরিল তুরেল
থেক্লা খোয়না চীংজাউ লান্না
নঙনা তান্না চেল্লকপবু
করি ৱাবু হায়নীংলিবা...??
নঙনা শক্লিঙৈ নঙনা হিংলিঙৈ
মশাসু নাল্লি বাবুসু ওইরম্মী...।
লোম্বোক্ত্রবা নঙগী কংলবা চীনবান্দুনা
‘লোয়বা নায়না হিংলিবা পুন্সিদি
ইচেলগুম্বনি চেন্থরকপা তুরেলগী’
খায়নরমদাই থৱায়না হকচাং পোলাংনা...!
করম্না খাল্লুনি কনাদা তায়নরুনি
কৌজবসি নত্তনা খুল্লরোইদবা নঙোন্দা,
মঙফম্না কৌরক্লবদা নঙগী হকচাং,
হৈরাংসু য়াওরক্তে লৈরাংসু পুজরক্তে
পামজরম্বা নঙগী হৈনম লৈনমগীদমক...।
লেপ্পু য়াদে মীৎকী পিসে
হন্না তৈথোকই ঙম্না তারকই
কাউগে ঙমদে মাঙদা লেপ্পরৈ
তৈথোক্লরোয় অমুক শীন্থরসনু নঙগীদমক
মালেম লৈদ খরা ...
ইরিল তুরেলদা খরা...।

## য়েলহৌমীনি

**—এম নিলকুমারী**

সহরসিসু মখোয়গী
চীংশাং পরেংসু ঐখোয়গী
চীংবুরোই তম্বুরোই হায়ররোই
য়েলহৌমীনি হায়রসি।
পনম নিংথৌগী মৈরিসু মৈঙাল ফনা মৈচাক্লি
অন্দ্রো খুঞ্জাউ য়াইফরি
তমেংলোংগী চীংমায়দা নোম্থ-নোম্থ য়েংহৌই
মমুন ফারবা সনা মচুগী কোমলানা
থম্মোয় থম্মোয় শকখঙনবনি
ৱারী শিংবুন লীরমখো
কোমলাগী লিক্লাং লেংবীগে
চীংজুম লাইজ থক্লুরবা
পোম্বী চেলা হলৱাইরে
থাংজীং মার্জিং কৌব্রু কৌনু
কুমচৎ অমগী কুমদমনি
লোক্তাক লাইরেম্বী মশাইগোন্দা
লাইজনুংগী মীরেন্দা
নুংশি পাউখোং ফোঙনখি
থ্বারোক চীংনা শাক্লি থম নুংশি পন্থুং নীখিবা
নুরা পাখং অনীদো
হৈবোং পাম্বীনা য়েৎকা ওইগা শিলহৌরে।
লংলা অমনা পুল্লসি
লীপুন ওইনা শেল্লসি অচুম্বনা নুংশিবনি
নুংশিবনা ফজবনি
শৈথাবতনা ৱাৎলগদবা সনা লৈবাক মণিপুর
পোক্লফম লমদমনি লাইবক ফবী ঐখোয়গী।

## পুন্সি সন্ধ্যা

**—মনি থৌদাম**

থম্না খেঞ্জোংনা চোংলক
ঈয়াই থক্কী লাইজদা
তাইবঙ কুম্মৈ য়েংনীং
ইনখৎলকপগী হৌনশা
মপূং মরৈ ফারকই।
উদবা কয়ানা কোয়রকই
য়েংজা থম্মোয় মপেনজৈ।
মীরপ-নারপ পাখৎচৈ
লমলানবা খোইমু খোইরাবা
ইকায় খঙদা ঙলম্বা
য়ূম্বাল লম্বী তমনীংলে
নিংঙোল পুন্সি মেংলকই।
চরৈ ফিদুপ কিশিথোক
ইকায় মীচি খোংনেৎনা
পাম্মু মকাদা ওইনজৈ।
লমলানবা খোইমুগী চিরোন্দা
করিগী খোইদারুরি থম্মোয়না
থম্মোয় ফিদুপ হাংউবা
থম্মোয় খোইমু খ্বাংজেংবা
কয়াদা নুংশিখ্রবা পুন্সি তাঙ্কক।
খঙদে, বীথি নোংদম্বা
ঐগা মাগা য়ূম্বালনা
পুন্সি লৈপুল শেমলুবী
থম্মোয় কায়না মৈৱাইরে।
থম্মোয় লাইমন ওইহল্লে
চহীনদি মতাং চাদনা
মীৎলু পিরাং ঈচেলনা
অহিং নুংথিল পিখন্না
পুন্সি সন্ধ্যা মৈৱাইরে
অসিরা ঐগী পুন্সি।

## ঙসিগী শৈরেং

**—মোইরাংথেম কুলচন্দ্র**

হুরানবা অমা চেল্লকই
মখোয় তরানা তান্নৈ
অমনা ফাই
মখোয় লোইনা নোক্লে।
থিকাদারনা লম্বী শেম্মী
এঞ্জিনিয়রনা বিল শাই
মন্ত্রিনা শেল চাই
মখোয় মশেল য়েন্নৈ।
পুলিসনা হুরানবা ফাই
ৱায়েলশঙনা বিচার চঁখে
বিচার মপূনা শেল লৌই
জেল য়ৌদনা থাদোকখি।

লৌমীনা লৌবুক্তা শূই
শিন্মীনা শিনশঙদা লেকই
মবুক থন্না চাদে
মহাজন্না দলান শাই।

## ঐনা মীকপ থোক্লকপসিদা

**—ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

ঐনা মীকপ থোক্লকপসিদা
ঐগী ঙাক্তা ঙাইরম্মী তাইবঙপানসে
নুমিৎ, থা, থৱান্মীচাক
চীং, পাৎ তুরেল।
ঐনা মঙ মঙলিঙৈ
চৎখি অমম্বা লম্বীদা মা মাদুনা
খঙলমদে হৈপাল-লৈপালগী ফজবা
উরমদে মঙাল অমত্তা ইমিৎসিদা।
ঐ ৱাখি ঐ ৱাখি
ঐ য়াম্না ৱাখি।
ঐ কপখি ঐ কপখি
ঐ য়াম্না কপখি।
হৌজিক্তি তাইবঙপানসে ঐগী ওইরল্লে।
ঐনা মীকপ থোক্লকপসিদা।

## হল্লক্লরোইদবী মাবু

**—মেঘ কোলোম**

ৱাকচীংগী উলেন্না খল্লকঙৈ
কুমওন কয়ানা হল্লকঙৈ
লাক্লি নঙদি তত্তনা।
মালহৌনরক্লে মালেম ফম্বাকথক
শাৎলক্লে লৈরাং খিবিকসু
য়েন্নিং খুদোল তমজদুনা।
পাইরক্তুনা খোইমু লমহেনবা
ঙংলরেনে লৈকা খুদিংদা
চেল্লরেনে য়েন্নীং মপাউসু।
তোংলরে চেক্লা কয়ানা
শংবান্নরা উপাল ৱাপালদা
নিল্লরে নুংশিরবা শহেক্লা।
ওক্লজরে হৱাউ মোমোন্ননা
তাঙনা ফংজবদো অমুক্তং
ইরাংনরবী শাবী শানৌ।
নুংওল্লক্তে পূক্লিং ৱাখলদি
ঈহৌরক্তে থম্মোয় লকানুং
ইৱাই ঈনিল লাংলকপা
নঙগী মেংলবা শাহুল্লক।
নীংশিংলকই লাকঙম ফাঙম্নদ্রবা
ইকায় ইকিদি লানঙম্বা
অদুঙৈ নঙনা লাকপদা।
লাক্লরোই হল্লক্লরোই কৈদৌঙৈ
নঙনা কয়ারক হল্লকঙৈ
চৎখ্রবদা মানা নীংঙাইদা।

## নুংশিবা হো নুংশিবা

**—রাজেন্দ্রা সারুংবা**

নুংশিবা হায়বসিবু করিনো
খঙনীংবরা? খঙনীংই য়াম্না খঙনীংই
হোয় মসি অকনবা পূক্লিংগী শাফুনি
অকনবা নুংশিৎকুম্মী, অশাবা মৈশাগুম্মী
শকউদবা, নুংশিবা লৈনম ঙম্মী।
লৈবদি লৈ মখঙই উবদি উঙমদে
মপূগী শক্তিনি মপূগী শক্তমনি।
নুংশিবগীদমক তৌবা ঙমদবা লৈতে
থৱায় কৎথোক্লরি থৱায় থাদোক্লরি।
পীথোকপনা মথৌনি পাম্মুবা লৈতবনি।
নুংশিবদি চহী লেঙ্গা থিদে
লায়র ইনাকখুনবা খায়দে
জাৎ কুচু শাগৈ নাতৈ ধর্ম্ম খায়দে
মাদি তৌশিন্নবা লৈতে মানবু নুংশিখ্রবা
তাইবঙগী শক্তি অমত্তনা থিংবা ঙমদে।
নুংশিবা ঈশৈ নুংশিবা ৱাঙাঙ শাঙাঙ
নুংশিবা হৈনম লৈনম নুংশিবা ৱারী
নুংশিবা শক্তম নুংশিবা মায়থোং
নুংশিরবা ইমা-ইপা, ইচা-ইশু মরূপ মপাং
অমত্তা ৱাৎতে লোয়না লৈ মফম খুদিংদা
নুংশিবা নঙ লৈবনা ঐখোয় মীওইবা জীব পানবা
শা উচেক অমদি তাইবঙ পূম্বা হিংলিবনিকো।


## পিস্টোল

**—ডা. এল শশীকুমার**

অঙাং শঙ্গু অমা
হুই চানি থিরকই।
অঙাং কাঙলূপ অমা
য়েন চানি লাকই।
মতমগী চৎনবী ওইরমাল্লে
নহা কাঙবু অমা
নুপী চানি তান্নরকই।
নহারোল কাঙবু অমা
নোংমৈ পায়দুনা চেন্নরকই।
থানা কাঙবু অমা
জীপ কন্না থৌরকই।
পিস্টোল পীয়ু হায়রৈ
ঐগী পিস্টোল তরুক থম্মী
য়াম্না পাম্মুনা থমজবনি
মচা, অচৌবা ময়ায়নি
লুনাগী পিস্টোল
স্কুটরগী পিস্টোল
জীপকী পিস্টোল
টাটাগী পিস্টোল
ডোজরগী পিস্টোল
টোই পিস্টোল।
ঐবু শাথিনা ফুরম্মী
জীব কন্না থৌখি
ঐ হোস্পিটাল য়ৌখি।

# হুম্ফুতরাগী নোংলৈ মতুংগী য়েন্নীং

## (হুম্ফুতরা মতুংগী শৈরেংশিংবু মমল লেপ্নবা হোৎনরিবা নৈন-ৱারেং অমা)



| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | হুম্ফুতরাগী নোংলৈ মতুংগী য়েন্নীং |
| মখল | ঃ | নৈন-ৱারেং |
| অইবা | ঃ | ৱাহেংবম কুমারী চনু |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৭ |
| অফোঙবা | ঃ | নোরা পব্লিকেসন্স |
| মমল | ঃ | ৩০০/- |
| পাউদম্লিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |

**ঐখোয়গী** হুম্ফুতরাগী নোংলৈ অসিমক্তি নোংচুপলোমদদি কুনশুবা চহীচাগী অনীশুবা ডিকেদতা শিৎখ্রবা নোংলৈনি। হুম্ফুতরাগী মতমদদি মখোয়গীদি ‘মুভমেন্ট’ (Movement) পেরিওদতা লৈখ্রবনি। ঐখোয়গীদি হুম্ফুতরাগী মতমসি খোরিরোলদদি ওম্বোক্লা মরু ওইখ্রবা তাঙ্কক্লি। তাঙ্কক অসিননি ঐখোয়গী মায়ওন অমা পীরক্লিবা। অসুক মরুওইখ্রবা তাঙ্কক অসিবু অমুক্কা হেন্না ময়েক লানবা পুথোক্লকপা লাইরিক্লি ঙসি উরিবা ‘হুম্ফুতরাগী নোংলৈ মতুংগী য়েন্নীং’, অদুসু য়াম্না থৌনা লৈনা চঙশিল্লক্লিবী নুপী নৈনরোয় অমদগী। মাগী মরমদদি অমুক পল্লুদ্রবসু মাগী ৱাহৌদোক্তা ওজা তোম্বীনা ওম্বোক্লা কূপথনা ইদুনা লৈরবনি। ঐনা ঙসি শেমজরিবা ৱারেং অসিদি নুপীমচা অসিবু থৌনা হাপ্পীংবদগী অদুক শেমজবা হায়দুনি। কুমারীবু ওম্বোক্লা থাগৎনিংঙি। ফনা কূপথনা পারে, নৈনরে খল্লি। অদুবু লাইরিক অসিগী ৱারেং নিপাল অসিদা চঙশিন্দ্রিঙৈদা ৱামাঙ অমতং য়ালহৌবনা চুমগনি খল্লি। লিটরেরী ক্রিটিসিজম হায়বসিমক্তবু লুখ্রবা আর্ট অমনি। মসিগী পঙখৈ (Limit) অমা লৈরি। খজিক্তং হেনজিল্লুবদা লিটরেরী ওইরোইদৌরিবনি। অদুগা খজিক্তং ৱাৎপদনা ক্রিটিসিজম ওইরোইদৌরিবনি। অদুগী মথক্তা মমল লেপতৌরিবা শৈরেংদু, ৱারেংদু অফবা ঙাক্তা পংথাদা থাগৎপসু য়াদ্রি। অদুম তৌরুবদা মসিদি ক্রিটিকেল ওইদে appreciation নি হায়গদৌরি। অদুনা অফবসু, ফত্তবসু উবা ঙম্বা ওইবা তারি। অদুনদি ক্রিটিক খুদিংমক creative writer ওইদবসু য়ারক্ত্রি। মায়কৈ অসিদগী ইংরাজিগী ফাওরবা ক্রিটিক Swinburne বু T. S. Eliot না ইরায় লায়না হায়, "Swinburne is only an appreciator and not a critic." মদুগী মরমসু মানা পীরম্মী, Swinburne দি ড্রামা ইবা Massinger গী Style বু 'is more serviceable than that of any other contemporary dramatist" হায়রগা তোকই। 'More Serviceable' ওইরিদু করিদা, কমদৌনা ওইরিবনো হায়না তাক্লমদে হায়রি। (The Sacred Wood)

ঐনা ৱাফম খরসি পঞ্জরুবগী মরমদি কুমারীগী ৱারেংশিংসি appreciation সু পীরি, ক্রিটিকেল assessment সু পীরি হায়জনীংবনি। হুম্ফুতরাগী নোংলৈ হায়বা Term অসিমক্তি ১৯৭৯দা ফোঙলকপা, কে হেমচন্দ্রনা সম্পাদন তৌবা শৈরেংগী Anthology অমগী মমিংদগী লৌরকপনি। মতমদুগী নোংলৈদি শৈরেংদদি নত্তে, ৱারীমচাদসু, নোভেলদসু, হীরম অয়াম্বদা ঈহৌ অমা লাকখিবা মতমনি। মসিগী মনুংদা ৱারীমচাদা ওজা কুঞ্জমোহন, এম কে বিনোদিনী থোক্লক্লিবনি। নোভেলদা পাচা মীতৈ য়াওরক্লিবনি। শৈরেংদা কবি য়ূম্লেম্বম ইবোমচা, দল্লিয়ু রঞ্জিৎ, থাংজম ইবোপিশক্কী ‘শীংনবা’ থোক্লক্লিবনি। অদুবু T. S. Eliot না হায়বা ৱাফম অমদি লৈরি, 'The poetic tradition is not represented by an Individual or group, rather Peotry is a living whole, to which each poet contributes... The value of contribution is to be determined by degrees it fits into the tradition." মসিনা তাক্লি, শৈরেংদি Process অমনি, খাঙতপ্তা লৌবা য়াদে। হৌখিবা কয়াগী লেংবান্দা লেপ্লগা অনৌবা মশক অমা শেম্বদনি। অদুনা ঐখোয়গী হুম্ফুতরাগী নোংলৈ অসিমক কবি নীলকান্ত, কবি মীনকেতন, কবি সমরেন্দ্রখোয়গী লেংবান্দা লেপ্লুবনি হায়বদা কায়দ্রি। অদুগা লাইরিকসিদা উৎনীংলিবনা হুম্ফুতরাগী মতমগী নোংলৈদু কুইখিদ্রে, মরিফুগী মতম লানশিল্লকপদি নৈখায়রম্বা খোরিরোলগী লৈকোল য়েন্নীং অমুক হুল্লক্লে উৎনীংবনি। মদুসু অনৌবা মায়োল অমদা। মসিদি হৌনশানি। ইংরাজি খোরিরোলগীসু মোডর্নিজম্মক্তদা তাঙ্কক অহুম থোক্লি - Popular Modernism, Modernism, High Mode Modernism. কুনশুবা চহীচা হৌরকপদা লৈরম্বা Modernism বু মখোয়না Popular Modernism কৌরি। T.S. Eliot কী 'The Waste Land' (1922) ফোঙদোকপা মতম ১৯২০দগী Modernism হৌরগা Ezra Pound খোয়গী মতম অসিবু High Mode Modernism কৌরি। অদুবু মখোয়গী ৱাখল্লোন অদুবু কা হেনমল্লি হায়দুনা ১৯৫০গী মতুংদদি Philip Larkin খোয়না 'Movement' হায়না খঙনবা Period অমা চঙশিল্লকখিবনি। অদুনা ঐখোয়গী লৈবা তাবনি। হুম্ফুতরাগী মতমসিবু ঐখোয়না Modernism গী তাঙ্কক কৌবদনি। অদুসু লান মতুংদা কবি নীলকান্তগী শৈরেংদা Modernism কী মশক য়াওখ্রবনি। কবি ইরাবতকী ‘ইমাগী পূজা’ না ঙন্না ফোঙলল্লবদি ১৯৪২দা ঐখোয়গী Modernism হৌরে হায়নরদৌবনি।

অদুনা কুমারীনা লৌখৎলি হীরম ৮ খক। (১) খোরিরোলদা প্রোগ্রেসিবিজম অমসুং ইরাবতকী শৈরেং, (২) হুম্ফুতরাগী নোংলৈ মতুংগী য়েন্নীং, (৩) মণিপুর শৈরেংদা নেটিবিজমগী ঈহৌ, (৪) ইকোফেমিনিজম অমসুং মণিপুরী খোরিরোলদা ইকোক্রিটিসিজম, (৫) মণিপুরী শৈরেংদা লৈঙাক্লোন অমদি মসিগী ৱাখল্লোন, (৬) ন্যু হিষ্টরিসিজম অমসুং লনচেনবগী শৈরেং, (৭) হৌজিক্কী শৈরেংদা মশাগী শক্তম থিরকপা অমসুং (৮) মণিপুরী শৈরেংদা খূৎলায় পায়বগী লালহৌ। ৱারেং ৮মক লোইনা মপূং ফারে, মসিনা মরোইরে হায়বদি লানগনি। অদুবু মাগী থাক্তা ফনা কূপ্না থিজিল্লগা পাউদম্নবা হোৎনরি। অহানবা ৱারেং জননেতা ইরাবতকী মতাং অসিদা কবি অসিগী শৈরেং লাইরিক অনী ‘শৈদম শৈরেং’ অমদি ‘ইমাগী পূজা’ নৈনরি। মসিগী মথক্তা কবি অসিনা ইরম্বা ঈশৈ ময়েক ২৫গী লাইরিক ‘বিপ্লবি য়াকায়রোল ঈশৈ’ হায়বদুসু কোনশিল্লকই। লাইরিকশিং অসিগী শৈরেং নৈনদ্রিঙৈদা অইবীনা খোরিরোলদা প্রোগ্রেসিবিজম করিনো হায়বদুসু তাক্লবা হোৎনরি। অদুগী মথক্তা ইরাবতকী শৈরেংদা প্রোগেসিবিজম কয়াম য়াওরি হায়বদুসু ফনা কূপ্না নৈনরে খল্লি। অইবীনা হায়রি, “প্রোগ্রেসিবিজম হায়বসি খোরিরোলগা পুন্সিগা নকশিন্না য়েংলকপা মিৎয়েংনি। ইশম শম্না খোরিরোলবু মীওইবা খুন্নাইগীদমক য়াইফনবা শীজিন্নরকপনি।” মশক অসি তাকপদা নত্তনা প্রোগ্রেসিবিজম ঈহৌনা য়ুরোপ্তা মার্ক্সিজমনা হুল্লকপা মরূদগীনা কমদৌনা ভারত লৈমায় য়ৌরকপা, মদুগী লম্বীসু শল্লপ্না তাক্লি। কবি অসিগী ঈশৈগী মতাংদনা অইবনা হায়রি, “ইরাবতকী ঈশৈ ময়েকশিংদা উবা ফংলিবসি মহাক্কী ওইবা ৱাখল্লোন অদুমক্লি হায়না লৌবদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈফম থোক্তে।”

অনীশুবা ৱারেং অসিনি য়াম্না মরু ওইরিবা। লাইরিক্কী মমিংসু মসিনা পুরিবনি। নোংলৈ মতমদা লাকপা কবি ১০গী লাইরিকনি “হুম্ফুতরাদা হুল্লকপা নোংলৈ” কৌরিবসি। মখোয়দুদি রনজিৎ দল্লিয়ু, থোকচোম গ্যানবিহারী, লোইতোংবম নবচন্দ্র, রাজকুমার ভুবনস্না, মোইরাংথেম বরকন্যা, নোংমাইথেম শরৎচন্দ্র, চেতন থোঙাম, হুইদ্রোম রাধাকান্তা, অকোইজম শরতচন্দ্র অমসুং কে হেমচন্দ্রনি। অদুবু মখোয় ১০গী শৈরেংশিংদি অইবীনা কয়া য়াম্না নোংলৈ ওইবনো হায়বদু পুথোক্তুনা নৈনরমদ্রে। কে হেমচন্দ্রগী শৈরেং অমা অনী নত্তনা। ঐখোয়না খঙঙি, লাইরিকসিদা য়াওদবা কবি কয়াগী শৈরেং লৈরি নোংলৈ ওইখিবা। অদুনা অইবীনা নোংলৈ মতুংগী য়েন্নীংগী তাঙ্কক অসিনি কূপ্না নৈনরিবা। তাঙ্কক অসিদা মেমচৌবী, শরতচান্দ, লনচেনবা, দিলিপ ময়েংবম অসিনচিংবা নৌনা শাফোংলকপা কবিশিংগী শৈরেং নৈনরি। মখোয়গী তাঙ্কক অসিবু অইবীনা অসুম্না হায়রি, “তাঙ্কক অসিগী শৈরেংগী খূত্থাশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা মখোয়গী শৈরেংবু হুম্ফুতরাগী নোংলৈগী মতুংদা হুল্লকপা অনৌবা য়েন্নীংগী মতম হায়না মশক তাকপা য়ারি।” মসিগী মরমসু পীরি মদুদি নীলকান্তা, সমরেন্দ্র, শ্রীবীরেন্নচিংবা মোদর্ন মণিপুরী কবিশিংগী খূৎইদগী মখোয়গীসিনা য়াম্না হোংলক্লে। অদুগী মথক্তা কবিশিংসিগী খূৎইদা নেটিভিজম, পোষ্টকলোনিয়েলিজম, আইদেন্টিটি থিবা কয়াগী মশক লৈরে। অদুনা ‘পোষ্টমোদর্নিজম’ গী মশক উরে হায়রি। তৌবগীদি মতাংসি নোংচুপলোমদসু ‘পোষ্টমোদর্নিজম’ হৌখ্রবা মতমনি। মসিবু Bandrillard কী মতুং ইন্না 'Second revolution' হায়নসু খঙনৈ। মসি য়াম্না Complicated ওইবা টর্মনি। তাঙ্কক অসিদা অইবীনা মখা শমথরকপা কবিশিং হায়বদি বিরেন্দ্রজিৎ নাউরেম, বিদ্যাসাগর, ইমোজিৎ, রঘু লৈশাংথেম, আর জে মীতৈ, থৌদাম নেত্রজিৎ, ইরুংবম দেবেন ফাওবা কোনশিন্দুনা নৈনরি। অদুবু অইবীনা মসিমসু হায়রি, কবিশিং অসিগী খূৎইদা মোডর্নিষ্ট কবিশিংগী খূৎইগী মওংসু লৌবা শৈরেংশিংসু থেংনৈ। মসিসু চুম্মী, পোষ্ট মোদর্নিজম কবিনা পোষ্টমোদর্নিটিগী শৈরেং ঙাক্তা ইগনি হায়বা লৈতে। অদুবু তাঙ্কক অসি নৈনরকপদা মোদর্নিজম কবিশিংদু কদায়দা লৈহৌরবগে। মখোয়গী খূৎইদা পোষ্টমোদর্নিজম ওইবা ইয়াও য়াওদ্রবরা হায়বা ৱাহং অমদি লৈরি। অদুগী মথক্তা কবিশিংগী শৈরেং নৈনরকপদা য়াম্না মরু ওইখ্রবা কবি খরগীসু উদবদা নুংঙাইতবা অমসু লৈরি।

মথংদা নেটিভিজনগী মতাংদা অইবীনা হায়, “মশাগী ত্রেদিসন লৈজবা খোরিরোলগী খোঙচৎ অমা কলোনিয়েলিজমগী অকনবা নোংলৈনা হুমদুনা পুরুবদগী মতম কুইনা মশক মচু থোকপা ঙমদনা লৈরুরগা নৌহৌনা মিৎকপ থোরক্তুনা মশাগী মখোঙনা লেপচনবা লৌরকপা... অনৌবা ঈহৌ অমনি।” য়াম্না চুম্না য়েংবা মীৎয়েংনি হায়নীংই। তাঙ্কক অসিদা রিভাইবেল ষ্টেজগী কবিশিংদগী হৌরগা কবি নীলকান্তা, বিরেন্দ্রজিৎ নাউরেম, রঘু লৈশাংথেম, লনচেনবা মীতৈ, ইবেমহল, বরকন্যা, মেমচৌবী, দিলিপ ময়েংবম অসিনচিংবা কবিশিংগী শৈরেং নৈনরি। মরম চাবা ঙাক্তনি। অদুবু কয়া অমসু লৈহৌরিবনি।

ন্যু হিষ্টরিসিজম অমসুং লনচেনবগী শৈরেং হায়বা ৱারেং অসিদি য়াম্না মমুৎ তানা নৈনরি। অইবীনা হায়রি, “ন্যু হিষ্টরিসিজম হায়বসি অহিংবা খুন্নাইদা য়ূম্ফম ওইরগা খোরিরোলদা পুৱারীগী খোঙ্গুল লীরকপগা লোয়ননা কলচরেল পোইটিক্সকী শরুক অমসু ওইবা খোরিরোলগী অনৌবা মিৎয়েংনি।” মসিনা মাগী মীৎয়েংনি। মতাংসিদা New Historicist কা Cultural Materialist কা খেন্নবা অমতংদি য়েংহৌবা য়াই। অনীমক পান্দমদি মান্নে, অনীমক অকাউ পরৈ চনখ্রবা, নমশিন্দুনা থমখ্রবা পুৱারী অমদি মাঙখ্রবা মৈহৌরোল থিমিন্নবনি। অদুবু ফিল্ডদা খেন্নরি - অহানবগীসিনা খুন্নাইগী creamy layer ওইবা Church, Monarchy অমসুং Upper Class তা পূক্লিং লুপ্পী অদুগা অকোনবগীসিনা Lower Class তা, নুপীদা, মীচমদা পূক্লিং লুপ্পী।

লোইশিল্লকপদা নৈনরোয় কুমারীবু থাগৎফম থোকই। মাগী তুংগী আশা য়াম্না লৈরি। নৈনরোয় অমগী মিৎয়েং ফজনা লৈরে, লাইরিক য়াম্না পারে, ইশাগী ফিরেপ চেৎলে, মখা তানা ইরক্লবা শোয়দনা মীয়াম্না হায়নরক্লগনি।

# নহানমুক মপোক্কী মহয় -২

**-মুন্সি প্রেমচন্দ**

**জৱাহির** চহী অনীমখায়মুক শুরে, রামতহলনা মাগী গাড়ীদু চিংনবা ষণ লাবা অমগী মথৌ তাই, জৱাহিরসু ষণনাওদগী ষণ লাবা ওইরক্লে। ৱাং চাউই, মশা ফৈ, চৎপদা মাগী মসলশিংদু ইনোৎ কাই, মঙকশম শাংতক তৌই লোয়ননা মাগী খূচৎতু পূক্লিং শুক্ষৎনীংঙাইনি। মামুক ফজবা ষণ লাবা লমদমদুদা অমত্তা লৈতে। অদুবু য়াম্না থিরবা মতুংদা উচিন নাচিন্না লম্বা অমদি ফংলে। অদুবু অউবশিংনা লম্বা চানদে হায়না হেক্তা হায়। মাবু চাউনবা লম্বা য়ানবা পৈশা চঙনা হোৎনরে। অদুবু কদায়দগী জৱাহিরগা লম্বা য়ানবা ষণ লাবদি লৈগনি! য়াম্না নুংঙাইবা ৱাফম অমনা গাড়ী থৌবা অমনা জৱাহিরগী মনঙ্গলদা গাড়ী হেক পানখৎপদা মখোঙ খুমাঙদু শুকলেং হেক লেংদে। অদুবু রামতহলনা থৌরিদু হেক পায়রগা মঙোন্দা অমুক চুপ্পীদুনা চৎলসিদনা হেক হায়বদা গাড়ীদু নুংশিৎকী মমাঙ থাদুনা থৌই, শগোলনা ফাওবা মাগী মতুং ইনবা ঙমদে।

নোংমা নুমিদাংৱাইরম জৱাহিরদু মাগী শঙ্গোলদা শজিক চাদুনা লৈরি, রামতহলনা মনাক্তা লেপ্তুনা হয়িং হুম্বীরি, তাঞ্জাদুদা লম্বোইবা-লাইনীংবা অমা লাকই। রামতহলনা য়াম্না থৌশাদনা হায়রকই - সিদা কৈদৌবা লাক্লিবনো চৎখ্রো।

লম্বোইবদুনা হায়রকই - কৈসু নত্তে ইবুংঙো, ষণ লাবসিবু য়েংলিবনি। সিমুক ফজবা ষণ লাবা অমত্তা পুন্সিদা উদ্রি।

রামতহল - ঐগী ষণনাওনি।

লম্বোইবা - তশেংনমক মসিদি লাইগী শায়ওলনি।

মসি হায়রদুনা লম্বোইবদু জৱাহিরগী মনাক্তা চঙলক্লে। অদুগা মাগী লোখুমদু চুপ্লম্মী।

রামতহল - অদোম কদায়দগী লাকপীবনো? মফমসিদা পোত্থাবীরো।

লম্বোইবা - নত্তে ইবুংঙো, ঐবু ঙাকপীগনি, ঐ তঙাইফদবা থবক অমগীদমক রেলগাড়ী তোংগদবনি, অহিংসিমক্তদা চৎকদবনি, পোত্থাদুনা লৈথোক্লবদি থেংখ্রনি।

রামতহল - করম্বা মতমদা হনবীরক্কনি?

লম্বোইবা - লাইফম কোয়রুরবা মতুংদা চহী অহুমগী মতুংদা হল্লক্কনি, সোমদা অমুক লাক্কনি। লাইগী মশক ওইরবা নন্দি অসিগী থৌগল তৌবা ফংলিবসি নঙসি নরায়বক য়াম্না ফবা জাৎনি। মাবু অৱাবা থবক শূহনগনু, লৈনা ফাওবা থোম্বীগনু মসি হায়রগা লম্বোইবদু জৱাহিরদা খুরুম্লল্লগা চৎখ্রে।

নুমিৎতুদগী জৱাহিরবু লুনা তৌবা অমুক্কা হেল্লে, শাদগী লাই ওনখরে। রামতহলনা চাক চাদ্রিঙৈদা মাবু হান্না পীজৈ, অয়ূক হেক হৌগৎপগা মাবু হান্না য়েংজৈ, মাবু ষণ গাড়ী চিংহনবা ফাওবা পামদ্রে, মানা থবক অমা চৎনবগীদমক গাড়ী চিংথোরকপদা জৱাহিরনা মদুদা মঙক হুকচিন্নবা নোম, নোমদুনা কন্না হোৎনৈ, মমৈথংদা মাগী লম্বাদুনা চৎখ্রবদা জৱাহির নুমিৎতুমদি শজিক মচেৎ অমফাওবা চাদে, দানা য়াওবা কোন্দু হন্না ফাওবা য়েংদে, মরমসিনা মহাক হৌজিক্তি থোইদোক্লা মরু ওইবা থবক লৈত্রবদি চৎথোকত্রে। মানা অসুম্না নীংবা অসিনা খুলগী মী অতৈসু জৱাহিরবু মচিঞ্জাক পীজবা অমদি অয়ূক্তা খুরুম্বা লাক্লরে। অসুম্না চহী অহুম হৌখরে, জৱাহির চহী তরুক শুরে।

রামতহল নুমিৎ খুদিংগী পাঞ্জিনা হায়খিবা ৱাদু নীংশিংই, করিগুম্বা অচুম্বা ওইরবদি কমদৌবা হায়বা ৱাখলসিদা মশাদু লৈফম খঙদে। শা-ষণগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা লাইরিক পায়, শা-ষণগী ডাক্তর তানৈ, হীদাক কয়া লৈশিন্দুনা থম্মী, জৱাহিরবু টিকা থাদোকই। মীনাইশিংনা অমোৎপা ঈশিং, শজিক অপৎপা পীজখিগদ্রা পাখৎতুনা মখূৎমক্লা পীজ-পীথক তৌরে। শঙ্গোলগী লৈমায়দু চেক চনশিল্লে, তীল-কাং লৈতনবা হায়দুনা নুমিৎ খুদিংগী ঈশিংনা নিংথিনা চামথোকই। নুমিদাংৱাইরম অমা রামতহলনা শঙ্গোলদা দানা হাপ্পা পাত্রদুগী মনাক্তা লেপ্লি, মানা চাবদু য়েংলি, তাঞ্জাদুদা চহী অহুমগী মমাঙদা লাকখিবা লম্বোইবদু লাক্লে। মাবু হেক উবদা রামতহলনা খুরুম্লে, ৱারী-ৱাতাই শান্নরে, মাগী চান-থক্লবা শেম শানবা হোৎনরে। তাঞ্জাসিদা জৱাহিরনা হৌনা থগোক্লকই লোয়ননা লৈমায়দা ধম লাউনা হাইথখ্রে। রামতহল মাগী মনাক তম্না চেনশিল্লকই। জৱাহিরগী মমিৎতু লাউত্রিক লাউনা পাঙলি, মানা রামতহলদা য়াম্না নুংশিনা য়েংলকই অদুগা উইশিনখ্রে।

রামতহলনা পাখৎনা চেনখিদুনা ইমুংদগী হীদাক ময়াম লৌথোক্লুরে অদুবু মানা হেক য়ৌরকপদদি জৱাহিরগী থৱায়দু মপান থোকখ্রে, শুম লেপ্লম্বদগী করি তৌরবনো খঙদে। মনাও শিবদফাওবা মা অসুক য়াম্না নুংঙাইতবা তৌদে। মীয়াম্না খাল্লবদসু মা হন্না হন্না জৱাহিরগী অশিবা মশাদুগী মনাক্তা চেনশিল্লি অদুগা কোন্দুনা কপ্পী। অহিং চুপ্পা মা কপ্তুনা লেল্লে, মাগী শক্তমদু মিৎমাংদগী হন্দোকখো হায়বা য়াদ্রে। মাগী থম্মোয়দু কায়রে। অয়ূক্তা অশিবা মশাদু লৌবা লাক্লে, খুলগী চৎনবী মতুং ইন্না অশিবা মশাদু শউনশুবশিংদা শিন্নদ্রে। চৎনবী ঙাক্লা মশামক্লা মৈ চুদুনা পোৎলোইরে। শাস্ত্রগী কাঙলোন মতুং ইন্না থবক পূম্বা পাঙথোক্লে। তরাহুমদোইনি শুবা নুমিৎতা খুলগী ব্রাহ্মনশিং চাক পীজরে, মা লম্বোইবদুবু খামদুনা থল্লে, মাগী পূক্লিং ঈংবা ৱাঙাঙশিং তারগা থম্মোয়বু থেমজিনজৈ।

নোংমা রামতহলনা লম্বোইবদুদা হংই - ইবুংঙো, জৱাহিরদুবু করি লায়না নাবনো ঐ খনফম থোক্তে। পাঞ্জিনা মাগী কুঠিদা ইরকপদি চহী তরুক শুরকপদা ফত্তবা থৌদোক অমা থোক্কনি হায়বনি অদুবু শা অমত্তা অসুম হায়না শিবা ঐ উদ্রি। নহাক্তি লাইনীংবনি মরম খরদি খঙলমগনি?

লম্বোইবা - উম, খরা খরদি খঙই।

রামতহল - ঐঙোন্দা খরা তাকপীয়ু, ঐ তৌফম খঙদ্রে।

লম্বোইবা - নহানমুক্কী মপোক্তা মাসি লমচৎ ফজবা, লাইনীংবা অমদি মীগী মতেং পাঙবা জীব অমা ওইনা পোকখি, মাগী মরল-মথুম পূম্বা অফবা থবক তৌবদা লোইখি। নহাক্কী মরী-মতাদা অসিগুম্বা মী য়াওখিবরা?

রামতহল - অহোয়, ইবুংঙো য়াওখি।

লম্বোইবা - মানা নঙবু নমথাক তৌখি-নঙগী থাজবা মাঙহনখি। নঙনা মঙোন্দা থবক খরা শিন্নখি। মানা মদুদগী নঙবু খঙহন্দনা লম্বোইবা-লাইনীংবশিংবু পীজ-পীথক তৌখি।

রামতহল - ঐদি মাবু করিসু চিংনদে। মাদি য়াম্না চম্বা, লমচৎ ফজবা মীনি, মানা ঐবু নমথাক তৌগনি হায়বসি ঐ খনখিদে।

লম্বোইবা - অদুবু মানা নঙগী থাজবদি মাঙহনখি। মাগী মশাগী কান্ননবদি নত্তে অদুবু মানা নমথাক্তি শোয়দনা তৌরে।

রামতহল - খুদোংচাদবদগী অচুম্বা লম্বীদগী নাথৈখিবা ওইরম্বা য়াই।

লম্বোইবা - উম, ৱাফমদুমক্লি। থৱায়দুবু লাইরৈবাক্তা মফম পীনবা লেপ্লখি অদুবু মানা তৌখিবা মরালদুগী চৈরাক পীবদি তঙাইফদে। মানা নমথাক তৌদুনা লৌখিবা লনদু শিংননবা নহাক্কী নয়ূমদা শা ওইনা পোক্লবনি। তরুকশুবা চহীদা লমনশিংদু শোয়দনা লোইগনি হায়না লেপখি। চহী তরুক নঙগী ননাক্তা লৈরল্লে, মাগী থৱায়দু অমকপা য়াওদবনা অরান খুভম ফংখ্রবনি।

মথংগী নুমিত্তা লম্বোইবদু চৎখ্রে, অদুবু নুমিৎতুদগী রামতহলগী পুন্সিদা অহোংবা অমা লাকখ্রে, মাগী ৱাখল্লোন হোংখ্রে, থৌজাল অমসুং তেংবাঙগী ৱাখলনা মপূং ওইখরে। মানা খল্লি অদুক ফখ্রবা মীদুনা করিসু লৈতবা ৱাফম খরদা নমথাক তৌরুবদগী অদুক চাউবা চৈরাক ফংলবদুদা ঐগুম্বা ফত্তবা মীদি করি ওইনি, ৱাফমসি মানা কাউবা শুকঙম ঙমদ্রে।

**হিন্দীদগী হন্দোকপা**
**—লৈমপোকপম বেদান্তী**